ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯲꯵, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯱꯶ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, জুলাই ২৫, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১১৬ শুবা মশীং

# বন্দ ফাগী তারকপা

## মীওই খরখক্কী খুদোংচানবা বন্দ কৌবা তোকসি

*লৈবাক* অমদা বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইক নৎত্রগা ব্লোকেদনা মপান নাইদনা শোকহল্লিসি য়েংলগা মীয়ামগী ওইবা ইস্যু খরখক্তদা নত্তনা অতৈ লমদা কৌবা বন্দ, ব্লোকেদশিংগী পাউ, পাউচেশিংদা হাপ্তবা হৌনখ্রে। মণিপুরগা য়ুমথংননা লৈরিবা অসামদসু ষ্টেট অদুগী জর্নেলিষ্টশিংনা মরম চাদবা বন্দগী পাউ মখোয় মখোয়গী পাউচেশিংদা হাপ্তনবা ৱারেপ লৌখিবা লৈখ্রে। ৱাফম অসি মণিপুরদা চৎনবা য়াত্রা হায়বা এদিটরশিংনা ঙাইহাক লৈতনা খন্নরিবা ৱাফম ওইরি। নোংমদি শোয়দনা থবক্তা ওন্থোরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। হায়বসু হায়বনি, মণিপুরদা বন্দ, ব্লোকেদসি তোয়মল্লে। মতম অমদা চীংদা খুন্দারিবশিংনা অপীকপা ইস্যু অমদা লম্বী থিংবগী চৎনবী অমা লৈরম্বদু হৌজিক্না অমুক তম্পাক লমদা মতৌ তৌনরকপগী ফীভম অমা উবা ফংই। বন্দ নৎত্রগা ব্লোকেদ হায়বসি ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিদা মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বা ফোঙদোকচনবগী অফবা খুৎলাই অমা ওইরম্লবসু হৌজিক্তি অসিগুম্বা মখলগী বন্দ ব্লোকেদ অসি লোনসু য়াদবা, মীয়াম্নসু খমথেংনা পেল্লবা খোঙজং ওইরে। বন্দ মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীরিবসি লায়রবা মীয়ামদনি অদুগা লৈঙাক্তনি। লৈঙাক্তা শোকহনবা হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক শোক্লবনি। নোংমা মণিপুর বন্দ তৌবদা লুপা ক্রোর কয়ানা খুজিং ওইদুনা মাঙহল্লি। লায়রবা মীয়ামগীদি নোংমা বন্দ তৌবনা অহুল্লক চরা হেনবা য়াওগনি। তঙাইফদবা থবক কয়া লেপ্পা তাবনা মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংসু নোংমা চোন্থবা হায়বসি মশানা তাবনি। পূম্নমক অসি লৈবাক্কী ইস্যুদনি হায়রবদি মীয়াম্না ৱারবসু ৱানা তঙাইফদবনি খল্লগা শরুক য়ামিন্নে নৎত্রগা খাংমিন্নে হায়বা য়াই। অদুবু হন্দক মরক মণিপুরদা তৌরক্লিবা বন্দ ব্লোকেদকী মায়কৈ অসিদি করিগুম্বা মতমদা ফাগীগী খোঙজং মাল্লকই। লৈবাক্কী ওইবা ইস্যুদা কৌবা বন্দদা ফাওবা মসিনা শোকহল্লক্কনি হায়বগী চিংনবা ফাওবা লাকই। ঐখোয়না বন্দ ব্লোকেদসি দিমান্দ অমা ফংনবগীদমক অফবা খুৎলাইনি হায়না লৌরিবসি খ্বাইদগী চাউবা অশোয়বনি। ঐগী অপাম্বা ফংনবগীদমক্তা নঙবুসু ৱাহনগনি হায়বা ৱাখল্লোন অসিদি মতমসিগা খজিক্তং চুশিন্নবা ৱাৎপদৌনা মীয়াম্না লৌনখিগনি।

চহী অসিদা বন্দ ব্লোকেদ কয়া য়াম্না মণিপুরদা তৌখ্রবগে হায়বা ৱাফম পুশিন্দ্রবসু জুলাই থা অসিদা ঐখোয় পূম্নমক্না য়ং য়ং লাউবা বন্দ খরা থেংনখ্রে। বন্দশিং অদুগী মনুংদা অনীদি চয়োল অমগী মনুংদা কৌশিল্লকপনি। হায়রিবা বন্দ অনী অদুদি জেনিমস হোস্পিটালদগী দিরেক্টর অমসুং হোস্পিটাল অসিগী দেন্টেল ডোক্টর অমগী সার্বিসকা মরী লৈনবা ৱাফমদা কে সী পি পোইরৈ মৈতৈ লূপনা পুং ১৩গী কৌখিবা মণিপুর বন্দ অমসুং মণিপুর পুলিসকী নুপা কন্সটেবল লৌনবগী অইবা চাংয়েংদা মায় পাকখ্রবা, হৌজিক্না ভিবা ভোসি ফাওবা লোইশিনখ্রগা ফল লাউথোক্তনা লৈরিবসিগী মতাংদা শেমখিবা ওল মণিপুর রিটন টেষ্ট সক্সেসফুল কেন্দিদেট ওফ পুলিস কন্সটেবল, মেল ২০১৩না কৌখিবা মণিপুর পুম্বগী বন্দ অসিনি। বন্দগী চৈথেং কা হেন্না নংলিঙৈগী চৈরকসিদা জেনিমস হোস্পিটালগী দিরেক্টরগা মরী লৈনবা ৱাফমদা মাওইষ্টনা অমুক মথং থাগী ১দা মণিপুর বন্দ তৌগনি হায়নসু লাউথোকখিবা লৈখ্রে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, মণিপুর পুলিসকী কন্সটেবল লৌনবা দি পি সী পাঙথোকখ্রবশিংগী ফল লাউথোক্তবগা মরী লৈনবা ৱাফম অসি হৌজিক্তি কোর্টতা লৈরি। মসিদা কা হেন্না মোত পীবসু চুল্লোই। অদুবু ৱাথোক অসি অঙম্বা মশেলগী মরক্তা মুক্নরকপদগী থোরকপনি। মসিদি কোর্টতা থেঙ্গাইনগেরা নৎত্রগা অঙম্বা অনীদু অমুক্তং ঙমথোক্লহনগেরা অমা তৌদ্রবদি ইস্যু অসি লৈখিগনি। ৱাথোক অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাফম ময়েক শেংদে। কোর্টতা লাকখিবা ৱাফম অদু লৈঙাক্না ইনগনি হায়গদৌরিব্রা নৎত্রগা অতোপ্পা কোর্টকী ৱায়েল অমা লাক্ত্রিফাওবা দি পি সীগী ফল লাউথোক্লোই হায়গদৌরিব্রা হায়বগী তাংদাংবা অমা মরী লৈবশিংদা খঙহনবা চুমই। অমরোমদা দি পি সীদা মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিংনা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা বন্দ ব্লোকেদ কৌবসি হৌজা থেঙ্খাং য়াম্লক্লে। মসিনা মরাল লৈজদবা মীচম মীয়ামদা চৈথেং পীবসু মশীং য়ামশিল্লক্লে। মরম অদুনা বন্দ, ব্লোকেদ নত্তবা অতোপ্পা হেন্না ফবা খোঙজং অমা চঙশিল্লগা মখোয়গী অপাম্বা, অনীংবা ফংনবা হোৎনবনা চুল্লোইদ্রা হায়বা ৱাফম লাক্লে। মতুং তারকপদদি লন্নাই মীওই খরগী ওইবা ৱাফমদা বন্দ নৎত্রগা ব্লোকেদ কৌবগী থৌওং অসি চীং অমসুং তম অনীমক্তা তৌবা চুল্লোই। মসিনা চৈথেং পীরিবসি মেনশিনবা ঙমদনা লৈহৌরগদবনি হায়বা খঙমিন্নসি।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### আই এল পিগী খোঙজংদা অচম্বা মত অমতং

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**কংলৈপাক্তা** পোকচবা কংলৈ ইমাগী মতম্পাক্তা চাওজবা কংলৈ ইমাগী মচা অমা ওইনা ঙসি ঙসিমক মীয়াম অমনা আই এল পি এসকী ঈহৌ চঙশিননরি। ঈহৌসিতা মখল মখা অয়াম্বা খোঙজং কয়া অরেপ্পা লৈতনা চঙশিনখ্রে। লোয়ননা মীশি মীনা কয়া য়াওনখ্রে। মমল য়ামখ্রবা মহৈরোই সাপম রোবিনহুদ লৈখিদ্রে। বন্দ অমদি ব্লোকেদ কংলৈপাক ইমা অঙকপা ফংনা ৱারে হায়বসি ঐখোয় লোয়না খঙমিন্নবা উমিন্নবা ঙাক্তনি। আই এল পিগী ঈহৌ মরম য়াম্না চায়। মী অমা ওইনা পোক্লগা মমা লৈপাক্কী মীয়াম্না তুংদা থেংনগদৌবা খুদোংচাদবা ময়ামসি থৱায় হকচাং য়াওনা শৌগৎলি অমসুং শৌগৎকনি। মসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি চীংগী ইচিন ইনাওশিংসু ঙাওসনু। মসিগী মায়োক্তা লৈবা মীওই কয়াসু লৈবা য়াই, লৈসনু।

হৌজিক্তি মীয়ামগী ঈহৌ হৌবা য়াবা হৌখ্রে। ইন্দিয়া লৈঙাক্তা মরী লৈনবা বিল অহুম থাদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী নাকোং য়ৌহনখ্রে। কংলৈপাক ইমাগী লৈবাক নুংশিবা লৈবাক কনগে হায়বা কাঙবু তোঙান তোঙানবা পার্টি মখল কয়াগী মী শুনা দিল্লিদা থারুরে। মসিদা মীগী ঐগী নাইদনা পুকচেল শেংনা মমা লৈবাক নুংশিবা, লম্বীসিদা য়াম্না খঙ হৈরবা এক্সপার্ট অমসুং এবলমেন ওইবা মীওই থিদোক্তুনা মখোঙ মরি ফজনা থিদোক্লগা তৌবা য়াবা অমসুং য়ারোইদবা কয়া থিদুনা ঐখোয়গী পান্দম ফংনবা হোৎনবা চঙই হায়জনীংই। মতম মাংনা বন অমদি জেনরেল ষ্ট্রাইক্না ঐখোয়গী লৈবাক্না পান্দমদি ফংগনি হায়ববু লৈবাক অসি ঙমখৈ লৈতনা অৱাবা হায়বদু ওইরে। মসি কুপখৎপা মতমদা অশাংবা মতম অমা চঙলগনি। মসিদি শক্তিনা অমদি লান তৌদুনা মুনবা য়াবা পোৎ ওইদে হায়জনীংই।

লাল তৌবা য়াবা তৌরে। আই এল পি এস পীগদৌবা মপু ইবুঙো দিল্লিগী নিংথৌ ঐখোয়গী ইপানি, ইমানি। মখোয়না মণিপুর কংলৈগী অৱাবা ফজনা খঙলবনি অদুনা ঐখোয়গী খোঙজং অসি ষ্ট্রাটেজি অমা হোংহননিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকচরি। অদুবু নৎত্রবদি মশীং য়াম্লবা মহৈরোয় কয়াগী একাদেমিক কেরিয়রদা মেনখৎপা ঙমদনা শোকহৌবা তারে। মসিগী অমাঙবা অতোংবা দিল্লিনা খঙবা ঙম্লোই। মসি ঐখোয়না চেকশিনহৌবা চুমব্রা হায়বা অচম্বা মতম অমতং পীজরি।

অমরোমদা, নোংমগী শুরগা চৎলগা চরা তাল্লিবা ঐখোয়গী মীয়াম্নসু অৱাবা কয়া মায়োক্নরিবনি। ৱাদনা নুংঙাইবা লৈতে অদুবু ঐখোয়গী খোঙচৎকী লম্বীসিদি খরা হোংদোক্লগা দেল্লিবু ভাব তাহনবা ঙম্ব্রা হায়বদু অখঙ অহৈ অমুক্তং তানা হঞ্জনিংই। মসিদা খোঙজং চঙশিনবীবগী অচৌবা থৌদাং তূম্বা চাবা খঙদনা লৌবিরিবা ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা লান্না লৌবীরোই হায়বা ৱাখলনা মাঙওইনরগা ফোঙদোকচবনি। পূম্নমক্না ঙাকপীগনি।

*অদোমগী - ময়াংলম্বম থম্বৌ সিংহ*
*সেক্রেটরি, ককচীং খুনৌ মখা হায় স্কুল*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৫

১। 'পঞ্চজন্য' গী অইবদু কনানো?
২। "ঐগী ৱাহৈগী হি/.../খোঙজেল য়াঙনা চেল্লু।"
ৱাহৈশিংসি কবি কনানা হায়বনো?
৩। নিংঙোম্বম সুনিতা করি লাইরিক্তা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংখিবগে?
৪। 'মেঘনাথ তুবা কাব্য' মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ২৯, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌ হীদাক কাপ্পবা খূৎলায়গী মচিন ঃ নোজল

**ডা: এম থোইথোই সিংহ**




**লৌ হীদাক** শীজিন্নবা পাম্নদে। তঙাইফদবগী শীজিন্নরি। হীদাক্কী চাং হন্থনবা মতম মতমগী অনৌ-অনৌবা, মীওইবদা শোক্তবা হীদাক পুথোক্নরক্লি। ফর-ফরবা হীদাকশিং ইঙ্খোলদা অমসুং লৌবুক্তা শীজিন্নরবসু মসিগী চপ চাবা কান্নবদি ফংদ্রি হায়বা য়াই। মসিগী অচৌবা মরমশিংদি হাৎকদৌরিবা লায়না তীলনা অমদি নাপীশিংগী চপ চাবা হীদাক ওইদবা (খনবদা শোয়বা), শীজিন্নগদৌরিবা মফমদুদা চপ চানা চঙগদবা চাং লৈদবা, ঈশিংদা য়ানবগী চাংদা শোয়বা, কাপ্পগী মতমদা শোয়বা, কাপ্পগী মওং শোয়বা অমসুং শীজিন্নরিবা খূৎলায়দা অশোয়বা কয়া লৈবদগীনি।

হৌজিক য়াম্না খন্নিংঙাই ওইরিবসি হীদাক কাপ্পদা শীজিন্নরিবা খূৎলায়শিং হায়বদি মখল কয়াগী স্প্রেয়র অমসুং মসিদা পাল্লিবা স্প্রেয়রগী মচিনশিং (nozzles) অসিনি। চপ চাবা হীদাক শীজিন্নরবা ফাওবদা শীজিন্নবগী মওংদা অশোয়বা লৈরবদি কান্নবা ফংদে। মোরেলোমদগী পুরকপা স্প্রেয়র, খূৎ য়েৎ ওই অনীমক্না নোমদুনা কাপ্লিবা হীদাকশিংগী কান্নবা ফংবা ঙমদে। হীদাক য়াওরবা ঈরিকশিংবু তাহন্নিংবা মফমদা তাহনবা ঙমদে। মসি নত্তবা ব্রুম এণ্ড বক্কেট টাইপ হায়না খঙনরিবা চরু অমসুং উশাশিংনা শেম্বা সুমজিৎ কুম্বা মপূন্দা লুপ লুপ্তুনা চায়বা হায়বসি কান্ননিংঙাই ওইদে। মসিগী মহুত্তা লায়না তীলনা থোকহল্লিবা ওর্গেনিজমশিংনা হীদাক্তু ঙাকথোকচবা ঙমজরকই। তুংদা মাঙনিংঙাই য়াম্না ওই। মরম অদুনা পৱার স্প্রেয়রমক শীজিন্নবা ঙমদ্রবসু নেপশেক স্প্রেয়রদি শীজিন্নবা ফৈ।

পূম্নমকসিগী মথক্তা খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি মফম মতম খেন্নবগী মতুং ইন্না মখল কয়াগী নোজল শীজিন্নবসিসু তঙাইফদে। মখল কয়া থমদুনা মতাং মতাংগী ওইনা চপচাবা নোজর শীজিন্নরবদি ফংফম থোকপা কান্নবদু ফংগনি।

লমদমসিগী লৌফমশিংদা শীজিন্নরিবা অয়াম্বা স্প্রেয়রদি মশাগী পাঞ্জরকপা full cone নৎত্রগা compact cone নোজলশিংনি। হায়রিবা নোজল মখলসিনা তীল হীদাক, কোকফাই হীদাক, নাপী হীদাক, হোর্মোন, মাইক্রো ন্যুত্রিয়েন্ট অমদি হার মখল কয়া কাপ্পদসু শীজিন্নরি। শীজিন্নফমগী মতুং ইন্না মচিন (নোজল) শীন্দোক শীনজিন তৌবা মথৌ তাই।

শীজিন্নফমগী মতুং ইন্না মখল কয়াগী নোজলশিং চপ চানা শীজিন্নগনি। য়াল্লবা নোজল মখল পূম্নমক নৈনদ্রবসু য়াম্না মরু ওইবা নোজল মখলশিং থম্বা অমসুং খরদু মফম চানা শীজিন্নবা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইরে।

লৌউ-শিংউদা শীজিন্নবা শাফু কন্দবা স্প্রেয়রশিংগী নোজলশিং মরু ওইনা ফ্লেট ফেন, ফ্লন্দ, রেন্দ্রোপ, হোলো কোন, ফুল কোন মশীং পনবা য়াই।

**ফ্লেট ফেন ঃ** চপশিন্না, শাংনা শন্দোকপা নোজলনি। অয়াম্বা মতমদা নাপী হীদাক চায়থোকপদা শীজিন্নৈ। ফ্লেট ফেনগী মখল য়াম্মী। ষ্টেন্দার্দ ফ্লেট ফেন (Standard flat fan), ইভন ফ্লেট ফেন (Even flat fan), লো প্রেসর ফ্লেট ফেন (Low pressure flat fan), এক্সটেন্দেদ রেঞ্জ ফ্লেট ফেন (Extended range flat fan) অমসুং ত্বিন ওরিফিস ফ্লেট ফেন (Twin orifice flat fan) মমিং পনবা য়াই।

**ষ্টেন্দার্দ ফ্লেট ফেন ঃ** প্রেসর ৱাংই। ময়াইৱাইদা থানা ফংই মতায়দদি পাথৈ। ইঞ্চি অমা পাকপা, অমা শাংবা স্কার অমদা পাউণ্ড ৩০ দগী ৬০ ফাওবা পী। চাংচত্তা 30-40 psi লৈরবদি ফরে।

**ইভন ফ্লেট ফেন ঃ** চাং মান্নৈ ময়ায় অমসুং মতাই অনীমক থাবা মান্নৈ, পাকশন্না কাপথোকপদা শীজিন্নদে। পাম্বীশিং পরেং ওইনা লৈরিবা নৎত্রগা পরেংশিংগী মরক্তা লৈরিবা পাম্বীশিং অমসুং নাপীশিংবু কাপথোকপদা শীজিন্নৈ। কয়া য়াম্না পাকহনগদগে হায়বদুদি লৈবাক্তগী নোজল ফাওবা ৱাংলিবদুগী মখা পোল্লি নৎত্রগা স্প্রে এঙ্গল শেল্লগা য়াই।

**লো প্রেসর ফ্লেট ফেন ঃ** প্রেসর খরা হন্থৈ। পি এস আই ১৫ দগী ২০ ফাওবনি। প্রেসর হন্থরবনিনা ঈরিক চাউই, ঈরিক মশীং হন্থৈ।

**ফ্লন্দ নোজল ঃ** লৈবাকশিং, তোয়দবা ইপৌ পৌবা মফমশিংদা হার চাইবদা শীজিন্নবা নুংঙাই। পি এস আই ১০ দগী ২৫ ফাওবদা ঈরিক চাউনা পুথোকই। মফম অমত্তদা মতম খেন্নদনা অনীরক কাপ্পা মথৌ তাই। হায়বদি ১০০% ওভরল্যাপকি মথৌ তাই। কন্টেক্ট ওইবা নাপী হীদাক্কীদমক্তদি শীজিন্নদবা ফৈ।

**রেন্দ্রোপ ঃ** লৈবাক্তা নুপী হীদাক চায়থোকহৌবগীদমক্তা চান্নৈ। প্রেসর ময়ায় ওই। পি এস আই ২০ দগী ৫০ ফাওবনি। ঈরিক য়াম্না চাউই মরম অসিনা নাপীশিং হৌরবা মতুংদা হাৎকদবা নাপী হীদাক্কীদমক্তি শীজিন্নদবা ফৈ। নাপীশিংদা হীদাক নপ্পা ৱাংকনি।

**হোল্লো কোন ঃ** হীদাক য়াওরবা ঈরিকশিং মনাশিংদা মপূং ফানা নপহনবা ঙম্মী। লায়না অমসুং তীলনা হীদাক অমসুং হোর্মোনগীদমক শীজিন্নবদা য়াম্না চান্নৈ। প্রেসর ৱাংই, পি এস আই ৪০ দগী ১০০ ফাওবনি। নাপী হীদাক কাপ্পদা শীজিন্নরোই।

**ফাইন হোল্লো কোন ঃ** য়াম্না কুপ্না কাপথোরকপা হোল্লো কোন নোজলসি হৌরবা নাপীশিং হাৎপদা শীজিন্নবা নুংঙাই নাপী মনাশিং চোৎহনবদা নুংঙাই। কান্নবা চপ চানা ফংই।

**ফুল কোন ঃ** লৈবাক্তা তোৎশিনগদবা নাপী হীদাক কাপ্পদা নুংঙাই। ফ্লন্দ নোজলগুম্না শীজিন্নবা য়াই। এঙ্গল পাক চাউই।

স্প্রেয়রদুমক হঞ্জিন হঞ্জিন্না শীজিন্নগদবা মরম্না শীজিন্নরমদাই খুদিংদা চামথোক্কনি। নাপী হীদাক কাপ্পদা শীজিন্নরব্বা স্প্রেয়র চাম্বা ৱাৎলবদি অতৈ হোর্মোন অমসুং লায়না তীলনা হীদাক কাপ্পদা পাম্বীগী মনাশিং পথুবা তোয়না থেংনৈ। মসি থোক্তনবা শীজিন্নবা লোইরগা অমসুং শীজিন্নরমদাই খুদিংদা চামথোক্কনি।

# পূনশিন লৌউ (ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টেম) মায় পাকপগী ৱারী

**এস সুমঙ্গোল সিংহ**


য়োংচাক পাম্বীশিং


শঙ্গোম থোকপী ষণবী


পল্লিদা থাবা লফু


অঙনফৌ মতমদা এস আর আইদা ফৌ থাবা

**ইন্টিগ্রেটেদ** ফার্মি সিষ্টেম হায়রগা ঐখোয়না খঙনরিবসি ইশা ইশাগী লৈজরিবা লম, লৌবুক নৎত্রগা ইঙ্খোলদা লৌউ পোত্থোক পুথোকপদা মখল অমত্তগী থবক থৌরম (ইন্টরপ্রাইজ) পায়খৎপগী মহুত্তা শা-ষণ, ঙা, উচেক (য়েন-ঙানু) শিংগা লোয়ননা ফৌ, মনা মশীং, মহৈ মরোং, উহৈ ৱাহৈনচিংবা পূন্না পুথোকপগী থৌওং অদুবুনি। মখোয়শিং অসিগা লোয়ননা অতোপ্পা থৌরমশিং খুদম ওইনা খোই য়োকপা, চেঙ্গুম থাবা, মুগা লংগী তীন য়োকপা, তিস্থোক য়োক্তুনা ভর্মিংকম্পোষ্ট পুথোকপনচিংবা কয়া অমসু পায়খৎমিন্নবা য়াই। মমাঙঙৈদগী হৌনা খুঙ্গংগী লমদা য়ূম অমা লৈরবদি হায়রিবা থৌওংশিং অসি অদুমক পায়খৎতুনা লাক্লবা ঙাক্তনি। হৌজিক্না অনৌবা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা শেন্দোং হেন্না ফংনবা অমদি অতোপ্পা পান্দম খরগা ফংনবা হোৎনরকপগী মথৌ তারকপখক্তনি খেন্নরিবা। হায়রিবা থৌওং অসিবু মীতৈলোন্দা চপ চাবা কনানসু ৱাহন্থোক পুথোকপা লৈতবনা 'পূনশিন লৌউ' হায়না ইজবনি। হৌজিক্কী মতমসিদা ইশা ইশাগী লৈজরিবা লম খরদা মখল অমত্তগী ওইবা থবক হায়বদি ফৌ থারগনা ফৌখক্তং, মনা-মশিং থারগনা কোবি নৎত্রগা আলু নৎত্রগা অতোপ্পা অমত্তমক থাবদা শেন্দোং ফংবা ৱারকপা, লায়না তীলনা ঙাকথোকপদা ৱারকপা, পোত্থোক অমত্তমক য়োনবগী খুদোংচাদবা লৈরকপা হায়বদি পোত্থোক অদু শোইখিবদা পূম্নমক মাঙবা নৎত্রগা অদুমখক য়াম্না পুথোক্লগা অতোপ্পদি য়াওদবনা য়োনবদা ৱারকপা, অসিনচিংবা কয়া অসিদগী পূনশিন লৌউরোমদা মায় ওনশিন্নরক্লি। হায়রিবা থৌওং অসি য়াম্না চুম্বা মওংদা কনা কনাগুম্বা থৱায় য়াওবা হৈশিংবা লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা মশা মশানা হোৎনরম্বা থেংনদবা নত্তে। খুদম অমা পঞ্জরবদা ঙাগী ফার্ম তৌবা শ্রী সলাম শ্যামকুমার সিংহ সেকমাইজিন মমাঙ লৈকায়দা লৈবসিনা ঙাগী ফার্মদা অঙনফৌ থাবগা লোয়ননা অকোয়বা পল্লিদা শা-উচেকশিংগা লোয়ননা য়োংচাক, হৈনৌ, লফু, উ-মোরোক অমদি অতৈ অতৈ, মতম মতমদুদা চানবা মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈ কয়া অমা থাদুনা মায় পাক্লা শেন্দোং তাল্লম্বা থেংনৈ। য়াম্নমক পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি।

হায়রিবা থৌওং অসিদা কুপ্না য়েংলুবা মতমদদি ঐখোয়না হৌজিক তোইনা তান্নরবা ওর্গানিক ফার্মিং হায়রিবা অসিমক্কী চপ চাবা থৌওং অদুমক্নি মহাক্না তৌরম্লিবসি। তশেংনা হায়রবদা ব্রাজিলদা কুমজা ২০০৭ তা "International permaculture conference" অমা পাঙথোকখিবা মতমদা হায়রিবা থৌওংশিং অসিবু অখঙ অহৈ কয়ানা খন্না নৈনবা লৈখি। হৌজিক্কী মতমদা ওর্গানিক ফার্মিং, পর্মেকলচর, ইকো-ফার্মিং, নেচরেল ফার্মিং, সষ্টেনেবল এগ্রিকলচর, ইভরগ্রিন রিভোলুসন হায়বনচিংবা পুথোক্নরক্লিবা ৱাহৈশিং অসিগী তোঙান তোঙানবা ৱাহন্থোক পীরবসু মখোয়গী পান্দমদি অমত্তনি হায়জনীংই। মসিগী ৱাখল্লোন অসিদি হু চেনবা লৌউ হীদাকশিং মওং লান্না শীজিন্নবদগী অকোয়বগী ফীভমদা কায়হল্লকপা, ঈশিং নুংশিৎ মোৎশিল্লকপা, মসিগী চৈথেংনা মরম ওইরগা জিবা কয়া খোঙ্গুল মুৎশিল্লকপা, তোঙান তোঙানবা ফল কয়া ফংলকপা, মীওইবা ঐখোয়গী হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা চিঞ্জাক কয়া পুথোক্নরক্তুনা ঐখোয়গী পুন্সিদা তেমশিংনরকপগা লোয়ননা, লৌউ কাঙলোন শোইরকপা হায়বদি হার মতম চানা চাং চানা খূৎচাই চুম্না চাইদবা মওং কয়াদগী লৈবাক লৈহাও মাঙশিল্লকপা কয়া অসিদগী ঙাকথোক্লবা অমদি তুং কোইনা অচুম্বা মওংদা ঐখোয়গী চারোল শুরোলশিংনা ৱাত্ত-পাদবা মালেম অমদা নুংঙাই য়াইফনা লৈহৌনবগীদমক শাগৎলকপা ৱাখল্লোন ঙাক্তনি।

ওর্গানিক ফার্মিং ওইথোক্কনি ওইথোক্লোই হায়না অখঙ অহৈ কয়ানা মাগী মাগী মত কয়া পীনদুনা ৱাখল্লোন অনী থোক্না লৈনরিঙৈ তাঞ্জা অসিদা মশাদি খঙজদনা অশেংবা ওর্গানিক ফার্মিং মায় পাক্না পাঙথোক্লম্বা কয়া অমগী খুদম লৈতবা নত্তে। হৌজিক্কী মতমদা ওর্গানিক ফার্মিং লৈরিবা চৎন-কাঙলোনশিং, সার্টিফিকেটনচিংবা কয়া অদুনা তোঙান্না থমখ্রগা, ইচিন ইনাওশিং অসিনা পায়খৎলল্লিবা থৌওংশিং অসিদি অশেংবা ওর্গানিক ফার্মিংনি হায়দবা কনানসু লাল্লি হায়বা ঙম্লোই। লৌ পরি অমা অনী লৈবা ঙাগী ফার্ম তৌরিবা ইচিন ইনাও অসিনা মায় পাক্না পায়খৎলম্বা পূনশিন লৌউগী থৌওং অসিগী কাঙলোনশিং অসি নৈনবা য়াবা অমা শোয়দনা ওইগনি খল্লি। নৈনদুনা য়েংসি।

লৌফম অদু পুখ্রি মচা খরগা অচৌবা খরগা থোক্না খাইদোক্তুনা শেম্মী। পল্লি নিংথিনা মতিক চানা চাওনা কোয়শিনবসু থেংনৈ। পল্লি মথক্তা মফম চানা ষণগোন শাদুনা ষণসু লোই। ষন্থিশিং নিয়ম চুম্না হার শেমদুনা অমদি ষন্থি অনৌবা ওইনসু মওং চুম্না শীজিন্নবগী হৈনববিসু লৈরম্মী। ঙাগী ফার্মদুদা, কম্পোজিৎ ফিস কলচর ওইনা ঙা মখল শুনা spawn দগী হৌনা মথং মথং ঙা য়োক্তুনা ঙা চারা শেমগৎপা অমসুং য়োনবগী থবকসু পায়খৎপা থেংনৈ। চারা ওইনা য়োনখ্রগা খাকহৌবা ঙানা অচৌবা ওইনা য়োন্নবা মাগী ষ্টোকিং পোন্দ (ঙা য়োম্নবা অচৌবা পুখ্রি) দা য়োকখৎলি। জুলাই থাদগী হৌরগা থা মরিমুক য়োক্লগা নবেম্বর থাদা ঙা ফাদোকপা লোইরগা জেরো টিল্লেজদা (খোইদনা) হঙ্গাম হুন্দুনা অহেনবা শেন্দোং ফংনবা হোৎনৈ। হঙ্গাম লোক্লবা মতুংদা ফার্ম মনুং অদু খোইদোক্তুনা মার্চ থাদা এস আর আই মেথদতা অতেনব মতমগী ফৌ থাই। ফৌ লোক্লগা কুমগী নোং লাকপগা লোয়ননা জুলাই থাগী হৌরকপা অদুৱাইদা ফৌ লোকপা লোইশিল্লি। জুলাইগী অঙনবদা অমুক ঈশিং থাজিন্দুনা নৎত্রগা কুমগী নোংগী ঈশিংদা মশানা তোঙান্না শেমগৎপা ঙা চারানা অমুক ঙা থাদদুনা ঙা য়োকখৎলি। অসুম্না spawn দগী য়োকখৎপা ঙা চারাশিং শীজিন্নদুনা হোৎনবনা ঙা চারাগী শেল য়াম্না চঙদনা spawn খক্কী শেল তিংলগা ঙা অচৌবা ফাওবা মরোল মরোল মথং মথং মতম চানবা য়েংদুনা হোৎনবনি। শেন্দোং নিংথিনা ফংই। মরু ওইবা ৱাফম অমনা ঙাগী মচিঞ্জাক লৈবগী শেল কয়া চঙদবা অসিনি। ফৌগী চরু অদু থা অনী খরা হেন্না ঙাগী মচিঞ্জাক ওইবা কোন্নৈ। ফৌ থাবদসু ঙাগী ফার্ম ওইবনা হার অমত্তা শীজিন্নদে। ফার্মগী পল্লিদা মফম চানা চানা থারিবা য়োংচাক, লফু অমদি হৱাই কালন্দ্রিনচিংবা হার অমত্তা শীজিন্নদে। মরমদি চহী অহুম মরী খুদিংগী ফার্মগী লৈমায় কোথোক্তুনা লৈহাও চেল্লবা লৈরোল অদু পল্লিদা হাপ্পা মরমনা লৈহাও য়াম্না লৈ, হার চঙদে। পল্লি মথক্তা পাল্লিবা লফোইশিং মপূং ফাই, য়োংচাক নিংথিনা পাল্লি। হৱাই কালন্দ্রি মপূং ফানা পাল্লি, য়োনবদসু শেল য়াম্না ফংই। অতৈ অতৈ এঞ্জাং নাপী কয়া অমসু য়ূমগী শীজিন্ননবা থাই, কৈথেলদগী থোইদোক্না লৈদে। অশেংবা ওর্গানিক ফার্মিংগী মওংনি। শেন্দোং য়াম্না ফংবা মরম্না ইমুংগী শেনমিৎলোন ফগৎলি। মথং মথং লম লৈশিল্লি। মায় পাকপগী চাওরবা খুদমনি।

তশেংনমকসু ওর্গানিক ফার্মিং হায়বসিমক ইন্টি টগ্রেটেদ ফার্মিংনি।


থাউগীদমক থাবা হঙ্গাম

লৌফমদুগী থোকচবা শা-ষণগী পোত্থোকশিং অমদি পাম্বীশিংগী লেমহৌখাকশিং মফম চানা চানা মতম চানা শীজিন্নফম চানা শীজিন্নরবদি ওর্গানিক ফার্মিং মায় পাক্কনি। অতৈ লমশিংদা মায় পাক্লবা ওর্গানিক ফার্মরশিংসু অসিমক্লি পায়খৎলিবা। অসুম্না ইশাগী থোকচবা পোত্থোকশিং শীজিন্নবা নৎত্রগা মপান্দগী লৈরুবা পোৎলমশিং শীজিন্নবনা কৈদৌনুংদা ওর্গানিক ফার্মিং তুং কোইনা মায় পাক্না পায়খৎপা ঙম্লোই।

হৌজিক্কী মতমদা শাগৎনরিবা ৱাখল্লোনশিং খুদম ওইনা ক্রোপ দাইভরফিকেসন (মখল মখা কয়াগী পোৎলমশিং থাবা), ফুদ সেক্যুরিটি (চিঞ্জাক্তা মীপান তাংদবা), শেনমিৎলোন ফগৎনবা, অকোয়বগী ফীভম কাইহন্দবা, তুং কোইবা লৌউ, হায়বনচিংবা ৱাখল্লোন কয়াশিং অসিসু হায়রিবা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং অসিদা পূম্নমক য়াওরিবনি। মরমদি মথক্তা পঞ্জরিবা ফার্ম অসিদগী পুথোক্লিবা পোৎলম খুদিংমকশিং অসিনা ৱাখল্লোনশিং অদু মপূং ফাহনবদা চঙবা পোৎলম খুদিংমক শুনা পুথোকপা ঙম্মী হায়জনীংই। লোয়ননা লৌফমদুমক্তগী ঙা, শঙ্গোম, লফোই, থাউ, হৱাই, মনা-মশিং হকচাং ফনা, নাদ-য়েক্তনা থম্বদা চঙবা পোৎলম খুদিংমক ফংই। শেন্দোংসু ফংই। থমজনিংলিবা ৱাফমদি অসুম্না হোৎনজরম্লিবা ইচিন ইনাওশিংগী খুদমশিং অসি কুপ্না য়েংশিনবীদুনা চাগা চাদিং মওং চুম্না থিদোকপীদুনা মপূং ফাবা খ্বাইদগী হেন্না শেন্দোং লৈবা পোৎলমশিং পুনশিন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা অসিগুম্বা পুনশিনবা য়াবশিংগী কাঙলোন নিংথিনা শেমগৎলবা অমসুং মখোয়শিং অসিবু পূন্না য়োকখৎমিন্নরবদি ওর্গানিক ফার্মিংগী মঙলানসু মঙফাওনদুনা তুং কোইবা লৌউ কাঙলোন মপূং ফাহনবদা মায় পাক্কনি হায়বা ৱাফম অসিনি।